HUEIYEN LANPAO

Refreshingly Reliable


লায়ন্স ক্লব ওফ কুম্বী গ্রেটরনা শীন্দুনা কুম্বীদা লৈবা আইদেল একাদেমিদা পাঙথোকপা সেন্টিনিয়েল চার্টর প্রজেন্টেসন সেরেমোনিগী শক্তম




এদিটরস গিল্ড মণিপুরনা শীন্দুনা য়ুহা হারকপদা মায়োক্লনবা কমদৌনা য়ুম শাগদগে হায়বগী মতাংদা ইম্ফালগী ক্লাসিক হোটেলদা পাঙথোকপা সেমিনারগী শক্তম




য়ুনাইটেদ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, লম্ফেল ব্রাঞ্চনা শীন্দুনা কাংচুপ চিংখোঙদা লৈবা দোন বোস্কো স্কুলদা পাঙথোকপা ফাইনান্সল লিটরেসি এৱেরনেস কেম্প



মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন (এম দি য়ু)না শীন্দুনা য়ুনিয়ন অসিগী হোলদা পাঙথোকখিবা আর্টিষ্ট দেগী থৌরমদা লৈখিদ্রবা আর্টিষ্টশিংগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎপগী শক্তম




Vol. 40, Issue No.313 | নোংমাইজিং, ফাইরেল ২৩নি পানবা, | অপুনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Sunday, February 19, 2017, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


## HL POLL

Q: Framework agreementta yaoriba wafamsing centrena taha tahana haidorakkani haina khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q:Economic blockade na mikhalda akaiba amatta piroi haina CEOna fongdokkhiba wafam chumgadra?

Yes 43% No 57%

## অস! লোইরেহে!

তাইবীদি খ্বাইদগী লায়রবা মীওই ওইরল্লে, ঙকইদকো...!




মহাক্না লায়ররদি ঐখোয়দি কমদৌবা!

# বি জে পিগী লৈঙাক শেম্বদা ফোর্স অমত্তনা থিংবা ঙম্লোই : ভবানন্দ




ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৮ (ঐচএন এস) : লাক্লিবা ১১ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লীগী মীখল অসিদা বি জে পিনা এবসোলুট মেজোরিটি শুকশোয় শোয়দনা ফঙগনি। মীখল অসিদা চাউনা মায় পাক্নুনা বি জে পিগী লৈঙাক অমা শেম্বদা ফোর্স অমত্তনা থিংবা ঙম্লোই হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট কে ভবানন্দনা ফোঙদোকখ্রে।

ক্ষেত্রিগাও এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ ওইগদৌরিবা নহাকপম ইন্দ্রজিৎকী থম্বলাখোং সাবল লৈকায়দা লৈবা মশাগী য়ুমদা ঙসি পাঙথোকখিবা ফিরাল চিংখৎপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা কে ভবানন্দনা হায়খি, মণিপুরদা বি জে পিগী গভর্নমেন্ট অমা শুকশোয় শোয়দনা লাক্লগনি। মসিদা কনাগুম্বা অমত্তনা থিংবা ঙম্লরোই।

হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসি অচম্বা মীখল নত্তে। মীখল অসি মণিপুর কন্নবগীদমক চংশিল্লকপা লাঞ্জং অমনি। মণিপুরবু থুগায়বা পান্বা অমদি মণিপুর কনবা পান্বা অনীগী মরক্তা শোক্লবা লানফম অমনি। সেন্তরদা বি জে পিগী লৈঙাক হেক লাকখিবদগী ষ্টেট অসিদসু পার্টি অসিগী অচৌবা ৱেব অদু য়ৌরকখ্রবনি। লৈবাক শিনবা থুংনা কোংগ্রেস পার্টি তোরা তুখ্রবা মতুংদা মণিপুরদসু কোংগ্রেস পার্টিগী মরাইবক তম্বা ঙমদবা ফিভম অমদা লৈরবনি। কোংগ্রেস লৈঙাক অসিবু লুচিংলিবা চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীদি বি জে পি পনবা য়াদ্রে। বি জে পি ফোবিয়া হায়বা লায়না অদু নারবনি হায়খি।

কোংগ্রেস পার্টিনা লৈঙাক্লোনদা অশোয়বা কয়া চথুরকপদগী ঙসিদি লমদমসিদা ইস্যু কয়া থোকহল্লক্লি। অদুবু কোংগ্রেস পার্টিনা ইস্যুশিং অসি সেন্তরদা লৈঙাক্লিবা বি জে পি গভর্নমেন্টদা তায়নশিল্লি। হৌখিবা চহী ১৫ অসিদা...*মখা লামায় ৩ কলম ৫*

## মণিপুর পিপলস পার্টিগী সিম্বোল সাইকলগী মহুত্তা পেট্রোল পম্প ওইনা পীখ্রে

# অহানবা তাঙ্কক্তা মীওই ১৬৭না মীরেপ ওইরগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৮(ঐচএন এস): মণিপুরগী পুৱারীদা তাঙ্কক কয়ারক্তা মতিং লৈবা পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইরম্বা মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি)গী সাইকল সিম্বোলগী মহুত্তা পেট্রোল পম্প ওইনা চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসার (সী ঈ ও)গী ওফিসনা পীরকপদা পেন্নদ্রে।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়, মীরেপ চে লৌথোকপগী অরোইবা পুংফম হৌখ্রবা তুংদা মীরেপশিংদা সিম্বোল য়েন্থোকপদা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা এম পি পিদা পেট্রোল পম্পগী সিম্বোল পীরকখিবনি। অদুমকপু অনীশুবা তাঙ্কক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলদদি এম পি পিগী মহৌশাদগী ওইরকপা সাইকলগী সিম্বোল অদুম পীরগনি হায়রি।

এম পি পিগী ৱার্করশিং অমসুং মীরেপ ওইগদৌরিবশিংনা সাইকল সিম্বোল পীবিনবা ঙসি নুমিদাং ফাওবা তকশিনবদা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই)না য়াদ্রে হায়দুনা পীরকখিদ্রে। অহানবা তাঙ্কক্তা এম পি পিগী মীখল থেংনগদবা মীরেপ মরি অদুদি শিংজমৈ এ সীদা থোকচোম সর্চিল, কৈশামথোং এ সীদা খাবা পাউনম, ক্ষেত্রিগাও এ সীদা এ ঐচ খান অমসুং হৈঙাং এ সীদা ৱাই প্রিয়োকুমারনি হায়রি।

অদুম ওইনমক অনীশুবা তাঙ্কক্তা হৈরোক এ সীদা মীখল থেংনগদবা পার্টি অসিগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা এন সোভাকিরননি। মহাক্তি সাইকলগী সিম্বোলদা মীখল থেংনবা সী ঈ ওনা য়াখ্রে। ওইরক্লিবা ফীভম অসি এম পি পিনা রেজিষ্টার অন-রিকগ্নাইজ পার্টি ওইখিবদগীনি। পার্টি অসিগী লূচিংবা মুন্নবগী অচৌবা ৱাথোক অমা থোকখ্রবা তুংদা হন্দক্তা এন সোভাকিরননা লূচিংবা টিম অসি ঈ সী আইনা মশক খঙলকখিবনি। অদুবু মীখলগা মরী লৈননা চৎনহৌগদবা চে-চাং মতম থেংথহৌবদগী অহানবা তাঙ্কক্তা মীখল থেংনগদবা মীরেপ মরিগী সিম্বোল সাইকলগী মহুত্তা পেট্রোল পম্প ওইরকপনি হায়রি।

অমরোমদা, অহানবা তাঙ্কক্তা পাঙথোক্কদবা মীখলগী মীরেপ চে লৌথোকপগী মতম লোইবা ফাওবদা কৈরাও এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সী (এ সী)দগী মীরেপ চে অনী লৌথোকখ্রে। হৌজিক মীরেপ ওইহৌরিবশিং অদুদি এম দি ইস্লামুদ্দিন খান (ঘড়ী), করাম থমর্জিৎ (খুবাক), লৌরেম্বম রামেশ্বর (থম্বাল), তখেল্লম্বম সমানন্দ (বঙ্গলো), থোঙাম গোপেন (চৈশু), নিংথৌজম ইতোম্বা মীতৈ (চফু), এম দি নাসিরুদ্দিন খান (মঙাল তরেৎকা লোয়নবা কোলোম মচিন) অমসুং এম দি ৱাহিদুর রহমন (কেন্দল)নি।

মীখল অসিদা য়েলহৌমী নত্তবনা মীরেপ ওইদনবা জে সী আই এল পি এসনা আপিল তৌজরবসু ইন্দিপেন্দেন্ট ওইনা মীরেপ চে পীশিল্লকখিবা কাংপোকপী এ সীগী খর্গা তামং (ট্রক) মীরেপ চে লৌথোকখিদ্রে। এ সী অসিদা মহাক থারগা মীরেপ মরি লন্বা তৌনরগনি। মখোয় অদুদি বি জে পিগী নেমচা কিপগেন, এন সী পিগী সোসিম কৈশিং, এন পি এফকী অথিখো সোলোমোন ইনা অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ খর্গা তামংনি।

মার্চ ৪দা ভোট থাদনগদৌরিবা অহানবা তাঙ্কক্কী মীখল অসিদা এ সী অহুমদা মীরেপ ২/২না লন্বা তৌনরগনি। মখোয় অদুদি সেকমাই এ সীদা বি জে পিগী হৈখাম দিঙ্গোগা আই এন সীগী খ্বাইরাকপম দেবেন্দ্রোগা, ময়াং ...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

## অটেমনা ময়াম্বদা ৱার্নিং পীরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৮(ঐচএন এস): এন এস সী এন (আই-এম)গী মরুওইবা লূচিংবা অমগী ময়াম্বনা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীখলদা মীরেপ ওইনা চোংথোক্লবা ফিরেপ লৌরকপগী মতাংদা আই-এমগী লূচিংবা অদুনা ৱাফম কয়া ফোঙদোরক্লি।

লেফটনেন্ট জেনরেল (রিটয়ার্দ) ভী এস অটেমনা থাদোরকপা ৱারোল অমনা হায়, স্বোর্দ ভাসুমনা হন্দক ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীখলদা ৪৫-চিংঙাই (এস টি) এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীদগী বি জে পিগী মীরেপ ওইনা চোংথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলক্লিবসি এন এস সী এন, ৱুং তাঙ্খুল রিজন (দব্লিয়ু টি আর)না লৌখিবা ফিরেপকী মায়োক্তা লৈবা থৌওংনি।

মেজর থাক্কী মথক্তা লৈবা ওর্গনাইজেসনগী মীওই অমগী ইমুং-মনুংনা ইন্দিয়াগী ইলেক্সন্দা শরুক য়ারোইদবনি হায়বা ৱাফম অমা লৈনা লৈনা থৌরাং অসি লৌখৎলকখিবনি।

নেসন অসিবু অৱা-অনা তারক্কদবগী কন্নবগী পান্দমদা ফিরেপ অসি লৌখিবনি হায়না পল্লদুনা লেফটনেন্ট জেনরেল (রিটয়ার্দ) ভী এস অটেমগী চেরোল অসিনা হায়, স্বোর্দ ভাসুমনা মীখলদা...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

## মীয়াম্না খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৮ (ঐচএন এস) : ইন্দিয়া লৈঙাক অমসুং এন এস সী এন (আই-এম)না খুৎয়েক পীনখিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টতা য়াওরিবা ৱাফমশিং মীয়ামদা খঙহল্লু হায়বা দিমান্দদা এমসুনা শীন্দুনা ঙসি খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

কৈথেল ফম্বী ইমা-ইবেলশিং য়াওনা মীয়াম্না বি টি রোদতা হ্যুমেন চেন শেমদুনা প্রোটেষ্ট তৌরম্বদগী ময়াম পুনশিন্নদুনা মণিপুরগী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই, ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী ৱাফম মীয়ামদা খঙহল্লু হায়বনচিংবা তোঙান তোঙানবা খোল্লাউশিং লাউদুনা ৱাকৎ খোঙচৎ চৎখি।

থা অসিগী ১৪ দগী ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)না লমদমসিগী মফম কয়াদা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাকখিবনি। খোঙজংশিং অসিগী শরুক অমা ওইনা ঙসি নুংথিল খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী শামু মখোঙদা ইমা লৈমরেল অমসুং ফৌওইবী অনীগী মমাঙ ওইরিবা বি টি রোদ পরিংদা থোরক্তুনা হ্যুমেন চেন শেমদুনা ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

